HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur



ওরিয়েন্টেল ৱিমেন্স কোওপরেটিভ লিমিটেদ সোসাইটি অমসুং এন সী য়ু আই-কোওপরেটিভ এদ্যুকেসন ফিল্ড প্রোজেক্ট, থৌবালনা পাঙথোকখিবা লিদরশিপ দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম লোইশিনবগী থৌরম

ঐখোয়না অশংবা মনা-মশিং মতৌ করম্না চাগদগে অমদি মসিনা... ☛ লামায় ২

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা) লামায় ৪

কুকি জোগী রেল্লি মায় পাকখিদ্রে, মোরেদা রেল্লি চৎখিদ্রে ☛ লামায় ৬

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম' ☛ লামায় ৯

লাঞ্জেন্নরক্লুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লমদিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরিবা ইমুং ৬৭তা থৌবালগী দি সী অহন্থেম সুভাসনা পোৎ চৈ হাপ্পবা জুপ্নো বোক্স ৬৭ অমসুং থর্মো ফ্লাস্ক ৬৭ য়েন্থোকখিবা



Vol. 47, Issue No. 243 | ইরাই, হিয়াঙ্গৈগী ১৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Friday, December 01, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

# মণিপুরগী তমথীরবা লান থা ৭ ফাজিল্লক্লবসু লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমদি অদুমক পোরোং থোক্লি

## মফম ৫দা কুকি মিলিটেন্টশিংগা অকনবা লান শোক্লখ্রে



কৌত্রুক্কী মনীং চীংদা লৈবা কুকি মিলিটেন্টশিং অমসুং মখোয়গী বঙ্করশিং

**ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) :** মে ৩দগী শারমচৎ চৎপা কুকি লমহেন-তুহেনবশিং অমসুং মখোয়গী মিলিটেন্টশিংনা অতম্নবা মীতৈদা ওনশিন্দুনা চথরক্লিবা তমথীরবা লান ঙসি ফাওবদা খাম্নীনবা লৈতবদগী মখা চথরকখিবগা লোয়ননা ফীভম খজিক্তং ফাগৎপা হৌরল্লবা মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর অমুক হন্না পোরোং থোক্লকপগী থৌদৌদা তোঙান তোঙানবা মফম মঙাদা কুকি মিলিটেন্টশিংগা অকনবা মওংদা লান শোক্লখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তারকপদা লমশাং পি এসকী মনুং চনবা কৌত্রুক অমদি সেঞ্জম চিরাংগী মীতৈশিংগী খুল তম্না কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ খক্তা নত্তনা বোম কয়া কাপশিল্লকখ্রে।

থৌদোক অসিদা খুলশিং অসিবু ঙাক্লক্লিবা খুঞ্জাশিংনসু হন্দুনা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখি। নাকল অনীনা খূৎ থোক্লরকপা লেপ্পক্তবদগী ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল ফোর্সশিং চঙশিল্লকখিবদগী নাকল অনীগী মরক্তা চথরম্বা লান লেপ্পখি।

ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ৫ রোম তারকপদনা য়াইঙংপোকপী পি এসনা কোল্লিবা সনাশাবী মীতৈ খুলদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী মফম অসিবু ঙাক শেল্লক্লিবা সী আর পি এফ অমদি শিখ রেজিমেন্টকী কাঙবুনসু হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পখি হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ুক অঙনবদনা মোইরাং পি এসনা কোনবা ত্রোংলাওবীগী মফম খরদা খুল অসিগী মনীং চিংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা শাবা বঙ্করশিংদগী নোংমৈ মরূ কয়া লেপ্তুনা কাপশিল্লকখি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

### য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট, ১৯৪৭কী ৭৭লক শুবা নীংশিং থৌরম

# অমগা-অমগা থাজনদ্রবদি মণিপুরদা 'পিছ' লাক্লবা হোৎনবা ঙম্লোই : ওক্রম ইবোবী

**ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) :** ঐখোয়গী মীয়াম মরক্তা অমগা-অমগা থাজনদ্রবা, ঐখোয়গী তুংগী লম্বী য়াওনা শেন্মীৎলোন ফৎচিল্লক্লবা অমসুং নুংশিনদ্রবদি মণিপুরদা ঈং-তপ্পা লাক্লবা হোৎনবা ঙম্লোই হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মণিপুর ষ্টেট কম্মিটি/কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী ওবজার্ভেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা য়াইস্কুল পুলিস লেন্দা লৈবা এম দি য়ুগী হোলদা পাঙথোকখিবা অদুঙৈ কুমজা ১৯৪৭তা শেমখিবা য়ুনাইটেদফ্রন্ট (জুকোফ্রন্ট) কী ৭৭লক শুবা নীংশিং থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুর অসি তোঙান-তোঙানবা ফূরুপ-কাঙলূপ কয়ানা খুন্দাবা লমনি, মিনি ইন্দিয়া অমগুম্বনি। ঙসিগী থৌরম অসিগী এজেন্দাদসু মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা য়াওরি। কুমজা ১৯৪৭কী নবেম্বর ৩০দা মীয়ামগী লুচিংবা হিজম ইরাবতকী লমজিং মখাদা মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী অপূনবা মীফম অমা এম দি য়ু হোলসিদা পাঙথোক্তুনা





মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়না মীয়াম পূন্না ফিরেপ লৌমিন্নখিবা অদু ঙসিসু অমুক হন্না নীংশিংহল্লে। ঐখোয় পূন্না নুংশি চান্নবা লৈমিন্নগদবনি। চীংনা অমা, তমনা অমা নত্তে। ঐখোয় খুদিংমক মণিপুরী ঙাক্তনি। মণিপুর অসি ঐখোয় পূম্নমক্কীনি। মীওই খরনা মণিপুর অসি মখোয়গীনি হায়রকপা লানগনি। এম এল আর এক্ট চৎনরিবা অমদি এনফোর্স তৌরিবা তম্পাক্কী লমদা খুদম ওইনা অহলশিংনা পীরম্বা লম মচেৎ অমদা য়ূম শাদুনা লৈঙাক্তা টেক্স ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## মচিল-মনাও থোকপা নহা ২গী মনুংদা ১ কাপ্তুনা হাৎলম্লে, ১না মখোঙদা কাপ্লম্লে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) :** শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা মী হাৎপগী থৌদোক মতম কুইনা থোক্লুদ্রবা মতুং ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা ময়াং ইম্ফাল পি এসতগী কিলোমিটর ৪ রোমদমক লাপ্পনা লৈবা বেঙ্গুন পল অহনবীগী মফম অমদা শকখঙদবশিংনা ফাদুনা পুরকপা মচিল-মনাও থোকপা নহা অনীগী মনুংদা অমা মকোক্তা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলল্লগা অতোপ্পা অমনা মখোঙদা নোংমৈনা কাপ্পল্লে।

মকোক্তা নোংমৈনা কাপ্পল্লম্বদগী লৈখিদ্রবা নহা অদুগী মমিং ময়েংবম কিষণ (২০) অপোকপা এম ইঙোচা কৌই অদুগা ওই থংবা খোঙদা নোংমৈনা কাপ্পল্লম্বা নহা অদুগী মমিংনা লৈখিদ্রবা কিষণগী মনাওশিং থোকপদা নত্তনা য়ূমথংননসু লৈমিন্নবা ময়েংবম জয় (অশেংবা মমিং নত্তে) কৌবা মশাগী চহী ১৭ লোম শুরবা নহা অমনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### চহী নৌরিবী নুপীমচা অমা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবগীদমক অহকপা চৈরাক পীবনি : আর পি এফ

**ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২৪দা য়ুম্নাক শাগৈসু পূল্লিবা মশাগী চহী ১৫ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীবগীদমক ময়েংবম কিষণ (২১) অপোকপা এম ইঙোচা, ইরেংবন্দ মখা লৈকায় (ককচীং) অমসুং ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# এম এস পি দি সী এলদি লানগী চৈথেং খম থেংনা ফংলম্লে

## লান মমাঙদা লুপা ক্রোর ৪০ মুক কারক্লম্বদু হৌজিক ক্রোর ৩০ য়ৌবা ঙমদ্রে, মৈ লৈনবা শেল লৈরক্তবদগী পুম্মম মম্বগী ফীভম লাক্কদৌরে

হেমচান্দ নিংথৌজম

**ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) :** মে ৩দগী হৌরক্লগা ঙসি ফাওবদা লেপত্রিবা মণিপুরগী তমথীরবা লান অসিনা মীওই ২০০ রোমগী পুন্সি মাঙহল্লগা মীওই লিশীং ১ রোম হেন্না শোকহনবা অমসুং মীওই লিশীং ৬০ রোম লাঞ্জেন্নদুনা লৈহল্লকপা খক্তা নত্তনা ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা লোয়শঙশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মৈগী লোয়শঙ মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল) সু লান অসিগী চৈথেং খম থেংনা ফংলম্বগা লোয়ননা মৈ লৈনবা শেল লৈরক্তবদগী পুম্মম মম্বগী ফীভম লাক্কদ্রা হায়না মীপাইনরম্লে।

মহৌশাদগী হৌনা নীংথমথাগী মতমদা ঈশিংগী ঈমাইশিং হন্থখিবদগী হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক পাৱর কম্পেনিশিংনা কালেনথা অমসুং নোংজুথাদা পুথোকপা মৈগী চাং য়ৌনা পুথোকপা ঙমদবগী মথক্তা মণিপুরগীদি লান অসি হৌরক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা এম এস পি দি সী এলনা থা অমদা মৈদগী লুপা ক্রোর ৪০ রোমগী রেভন্যু খোমজিনবা ঙম্লম্বদু হৌজিক্তি লুপা ক্রোর ৩০ ফাওবা য়ৌনা খোমজিনবা ঙম্লমদ্রে।

মসিগী মরু ওইবা মরমশিংনা এম এস পি দি সী এলদগী মৈ লৈদুনা শীজিন্নরম্বা মীওই কয়াগী য়ুমশিং পাক্তক্লনা মৈ থাদোকখিবদগী লাঞ্জেন্নদুনা লৈখিবনা মখা তানা মৈ লৈদুনা শীজিন্নরক্তবা অমসুং লান অসিনা মরম ওইরদুনা মণিপুর মীয়ামগী শেন্মীৎলোনগী ফীভম খংশোক শোকচিলহনখিবদগী ফোংনা মৈ লৈরগা শীজিন্নবগী মহুত্তা প্রি পেদ মিটর পাল্লবসু পুশিল্লক্লিবা মৈগী কনেক্সন অদুদা প্রি পেদ মিটরগা শম্নহন্দনা হুরাল্লগা মৈ থানবগী চাং হেনগৎলকপা অমসুং লান মনুং ওইবনা মহৌশাদগী মৈ থাল্লক্তবা মফমশিংদা মৈ হেন্না থানগৎনরকপা অমসুং শীজিন্নরোইদবা মতমদা অরেন্বদা মৈ থাদে দাকপনসু মরু ওইবা মরমশিং ওইরম্লে।

হন্দক নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী মহৌশাগুম্না ষ্টেট অসিদসু নীংথমথাগী অঙৈংবা মতম হৌরকখিবদগী ষ্টেট অসিগী চীং অমসুং তমগী মফম কয়াদা য়াম্না তোয়না মৈ মূৎপগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### মণিপুরগী চীংদা লো লৈতে হায়বা ময়েক শেংলে

## উখ্রুলগী পঞ্জাব নেসনল বেঙ্কতগী লুপা ক্রোর ১৮ হেন্না লুট তৌখ্রে





**ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) :** মতম কয়াগী মমাঙদগী মণিপুরদা চৎনরক্লিবা লোশিং চীংগী লমদদি চৎনদে অমসুং ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমদনা তম্পাক্তা লো চৎনৈ, চীংদনা ওর্দর তৌরবসু মৱা লৌদে হায়বগী ফীভম হেন্না ময়েক শেংহনবা থৌদোক অমদা ঙসি নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা উখ্রুল টাউনগী ভ্যুলেন্দ বজারদা লৈবা পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ক (পি এন বি) উখ্রুল ব্রাঞ্চতগী শকখঙদবশিংনা লুপা ক্রোর ১৮ হেনবগী শেনফমশিং লুট তৌখ্রে হায়রি।

পাউ অসিনা হায়বদা বেঙ্ক অসি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা বেঙ্কশিংগী 'করেন্সি চেষ্ট' ওইরিবা বেঙ্কনি। রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

### 'করপসন' গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

'করপসন' (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### HL Poll

Q : Lan leptriba makhei Manipurgi senmitlon yaona hiram punamakta shokchillakani haibasi Manipur leingakna khangdre haina louba yarabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Manipur leingakna tha taret fajillaklaba Kukigi Lan ashi loisinnaba Union leingakta karimatta haijaba ngamdre haibasi achumba oiroidra?

Yes 100% No 0%

### অস! লোইরেহে!

- মিংচৎপুদি শেলনা লূমজে ঐদি সার।



- মিংচৎতি শিরগা কান্নবে ৱানি, হিংলিঙৈ কান্নদে!

## মীয়াম্না ত্রাফিক রুলস খঙলবসু-খঙদ্রবসু খ্বাইদগী য়াম্না থুগাইবা মফম 'ইম্ফাল' না ওইরে

রোনেল্ড য়ুম্নাম



**ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) :** দিষ্ট্রিক্ট ১৬ লৈরবা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌনরিবা মফমশিংগী মনুংদা ত্রাফিক রুলস খঙলবসু-খঙদ্রবসু খ্বাইদগী য়াম্না লম্বী চৎপগী রুলস থুগাইবা মফম 'ইম্ফাল' না ওইরে হায়না মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিসকী ওফিসর অমনা ফোঙদোরক্লি।

চহী খুদিংগী পীক্লবা মণিপুরদা লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোকশিংদা মমল য়াম্লবা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙবগা লোয়ননা থোকহন্নীংদবা লম্বীগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোরকপদগী মসিগী মরম করিগী ওইগদগে হায়না হংলুবদা ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিসকী ওফিসর অসিনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

মহাক্না হায়, ত্রাফিক রুলস ময়ামগী মরক্তা মীয়াম্না খ্বাইদগী য়াম্না থুগাইদুনা চত্থনরিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৮

## এন ঐচ পি সীনা লোক্তাক পাৱর প্রোজেক্ট শীজিন্নবগী মতম চহী ৩৫ শুরবসু মণিপুর লৈঙাক তানরমদনা চহী ২৫ শাংদোক্লবা থৌরাং তৌরব্রা

**ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) :** নেসনল হায়দ্রো পাৱর কোর্পোরেসন (এন ঐচ পি সী) না লোক্তাক পাৱর প্রোজেক্ট চলাইরকপদগী লোক্তাক পাৎকী ঈমাই মৌখৎহন্দুনা থল্লকপনা পাৎ অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা লৌফমশিং য়াওনা মফম কয়া শীজিন্নবা য়াদনা লৈহল্লক্লে হায়বগী ৱাথোক চহী কয়াগী মমাঙদগী লৈরকখিবগা ইরোয়ননা এন ঐচ পি সীনা প্রোজেক্ট অসিবু শীজিন্নবগী মতম চহী অসিগী মে ৩১দা চহী ৩৫ মপূং ফাদুনা মতম লোইরবসু ষ্টেট লৈঙাক তানরমদনা অতোপ্পা চহী ২৫গী মতম অমা শাংদোক্লবা থৌরাং হৌরম্লে হায়না পিপল ফোর এনিমেলস মণিপুরগী মেনেজিং ত্রষ্টি এল বিশ্বাজিৎ মৈতৈনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা পিপল ফোর এনিমেলস মণিপুরনা এন ঐচ পি সীদা ওনলাইন আর টি আইগী খূৎথাংদা ৱাহং মরি হংখ্রে হায়রি। লোয়ননা এল দি এগী চ্যেরমেনননা ফীভম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রি অমদি পি এম ও য়াওনা ওথোরিটিশিংদা হঞ্জিন-হঞ্জিন চেইবদগী থা অসিগী ২৩দা মিনিষ্ট্রিনা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা এল দি এগী চ্যেরমেন অমদি মণিপুরগী পি সী সী এফ কম চীফ ৱাইল্দ লাইফ ৱার্দেননা প্রোজেক্ট অসি কন্নাসু তানদনা রিনোভেসন তৌবা অমদি মোদর্নাইজেসন তৌববু য়াম্না কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোক্লমখিবা অদুবুসু পি এফ এগী মায়কৈদগী থাগৎলি হায়রক্লি।

## অতোপ্পা নাগা আউটফিটশিংদগী মীওই ৩২ চঙশিল্লক্লে হায়না আই-এমনা ক্লেম তৌখ্রে

**দিমাপুর, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সী) :** ইন্দিয়া লৈঙাক্কা চহী কয়া চূপ্পা সিজ ফায়র এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনদুনা পিছ টোক চথরক্লিবা নাগালেন্দগী লালহৌলূপ এন এস সী এন - আই এমনা তোঙান তোঙানবা নাগা আউটফিটশিংদগী কিলোন্সর (মিনিষ্টর) গী রেঙ্কতা লৈবা য়াওনা মীওই ৩২ চঙশিল্লকখ্রে হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি এন এস সী এন - আই এমগী মায়কৈদগী থোরকখিবা চেরোল অমনা ফোঙদোরকপনি ।

চেরোল অদুগী মতুংইন্না চঙশিল্লক্লে হায়দুনা ক্লেম তৌরক্লিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা এন এস সী এন - কেদগী কিলোন্সর খাম্পৈ ওপৈহম য়াওরি। অদুগা অতোপ্পা মীওই ৩১ অদুনা এন এস সী এন - য়ু, এন পি জি এন - এন এম সী- এন এ, এন এস সী এন - আর, এফ জি এন, এন জি পি এন/এন এন সী, এন এস সী এন-কে (ৱাই এ) য়াওনা টাটার-সী সী এমনচিংবা নাগা ফূরুপকী তোঙান-তোঙানবা লালহৌলূপশিংদগীনি হায়রি।

চেরোল অসিদা এন এস সী এন - আই এমনা চঙশিল্লক্লে হায়দুনা ক্লেম তৌরিবা মীওই খরগী মমিংসু ফোঙদোরক্লি।

## পিছ এগ্রীমেন্ট তৌনরিবসি য়েলহৌমী কঞ্জনবা খোঙথাংনি : ফোক্স

**ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা চহী ৬০ হেল্লবা অমসুং য়াম্না লীরবা লালহৌলূপ অমনা পিছ এগ্রীমেন্ট তৌনরক্লিবা অসি মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং কঞ্জন্নবগী খোঙথাং অমনি লৌই হায়না ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইটিজ ওর্গনাইজেসন (ফোক্স) কী প্রসিদেন্ট থোইদিংজম মনিহারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবীদা লৈবা লূপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না হায়, খ্বাইদগী লীরবা চহী ৬০ মপূং ফারক্লবা লালহৌলূপ অমগা ঙরাং নুংথিল পুং ৪ খরা হেল্লকপদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকা পিছ এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখ্রে । মসিদা ফোক্সকী মায়কৈদগীসু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মরমদি চহী ৬০গী লাঞ্জংগী পুৱারীদা লান্থেংনরকখিবনি। খ্বাইদগী হেন্না লীরবা অমসুং চাউরবা লালহৌলূপ অমা ওইরিবা অসিগা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা ৱারী শাননবা চেবাউ পীরকখিবনি। মসিদগী ন্যু দেল্লিদা লৈবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী ওফিসতা নাকল অনীনা পিছ এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবনি। থৌদোক অসিমক মণিপুরগী পুৱারীদা লৈহৌরগনি হায়খি।

এগ্রীমেন্ট অসিনা মপূং ফানা থবক্তা ওম্থোরক্লবা মতুংদা য়েলহৌমীশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং কোকপগা লোয়ননা তংদু লৈতাবা পূন্সি ওইননবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌই। চহী ৬০গী মমাঙদগী লৈরক্লবা লালহৌলূপ অসিনা নোংমৈ কাপ্পবা খক্তনা লোইশিনবা য়াবা নত্তবনিনা হাৎন-শুনবা কয়া লৈখ্রবসু ফম্মিন্নদুনা খৎনরিবা-য়েৎনরিবা-য়ানদ্রিবদুগী মতাংদা ৱারী শাবগী তাঙ্কক শোয়দনা লাক্লগনি হায়খি।

অৱাবা, নুংশিনদবা ময়াম অমা থোক্তুনা লৈরক্লিবসিদা মণিপুরগী নীংতম্বগীদমকনি হায়দুনা লান হৌবীরিবা ইচিল ইনাও পূম্নমকসু থোকমিন্নরক্লগা পূনশিনমিন্নরসি হায়নসু মহাক্না পাউমীশিংগী খূত্থাংদা আপীল তৌখি।

## ম্যান্মারদা দেমোক্রেসি চৎত্রগসু ঐখোয়বু ঙাকপী-শেনবী অদুবু দেমোক্রেসি চৎপা ইন্দিয়ানদি ঐখোয়বু ৱাহল্লি : আশা লৈশাংথেম

### হকথেংনবা পাউদম
### মোরে প্রেমনগরদগী খুঞ্জা অমা

**ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস)** মে ৩দা মোরেদা লৈবা মীতৈগী য়ুমশিং নোংমৈ কাপশিন্দুনা মৈ থাবা হৌগৎলকপদগী থৱায় হিংনবগীদমক ম্যান্মারলোমদা চেনশিনখি। ম্যান্মার অসি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক নত্তে, মিলিটরিনা লৈঙাকপা লমনি। অদুবু মখোয়না ঐখোয়বু নীংথিজনা পীজ-পীথক তৌবদা নত্তনা ঙাকপী-শেনবীখি। অদুম ওইনমক দেমোক্রেসিগী লৈঙাকলোন চৎপা লৈবাক ওইরিবা দেমোক্রেসিগী মমানি হায়রিবা ঐখোয়গী ইন্দিয়ানদি মোরেদা লৈরকখিবা ঐখোয়বু কনবীখিদে। ঐখোয়দা অখাবা মীৎয়েং থমদুনা ৱাহল্লি হায়না আশা লৈশাংথেম্না পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।





মোরে প্রেমনগর ৱার্দ নম্বর ফোরদগী মে ৩দা ম্যান্মারদা চেনশিন্দুনা থা ৩ লোম চঙজফম লৌরবা মতুংদা হৌজিক্লা ৱাংখৈ হায় স্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবী আশা লৈশাংথেম্না মখা তানা হায়, হৌজিক ঐনা লৈরক্লিবা রিলিফ কেম্প অসিদগী মথং থাগী ১৫দা অমুক শওন্থুংদা মতম খরগী ওইনা শাগৎলক্লিবা য়ূমশিংদা হোংলগদবনি হায়রক্লে। ঐহাক্না হায়জনীংবদি রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈজরক্লিবা ঐখোয়বু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোইথাং থাংদুনা লৈহনবসি কয়াম কুইনা চথুগদৌরিবনো। ঐখোয় অশিবগা চপ মান্ননা লৈরকপদগী পেন্দবা কয়া লৈরিঙৈগী চৈরক্তা মণিপুর লৈঙাক্না কোইথাং থাংনবা হোৎনরক্লিবা অসিনা করম্বা মখলগী লৈঙাক্লোননো। টেম্পরারি য়ূম শারগা হোং-হোংদুনা ঐখোয়বু থম্বীবগী মহুত্তা টেম্পরারি য়ূম অদু ঐখোয়গী লমদম মোরেদা শাবীয়ু অদুগা সিক্যুরিটি মপূং ফানা থম্বীরগা মোরেদগী লাঞ্জেল্লক্লিবশিং হঞ্জিলহনবীয়ু হায়রকখি।

মোরেদগী লাঞ্জেন্নরকখিবা ঐখোয় ময়াম্বু মফম অমদা পূন্না লৈহনবীবদি লায়রদনা ইচা অমদি ইমা-ইপা, ইবুং-ইপ্পা ফাওবদা পূন্না লৈমন্নিজবা ফংদ্রে। ঐগী ইচানুপা, ইমা-ইপা অমসুং ইবুং-ইপ্পাশিংনা লাঙ্গোলদা লৈরে। ঐগা ইচানুপীগনা ৱাংখৈ হায় স্কুলগী রিলিফ কেম্পসিদা লৈরে। ইচানুপী অসি তম্ফাম্না গর্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস ত্বেলভ থাগদবনি। রিলিফ কেম্পতগী চৎতুনা স্কুল অসিদা তম্বনি। অতোপ্পা পাম্বৈ লৈতবনা স্কুলসু রিলিফ কেম্পতগী খোঙনা হঙ্গৎ হন্দা চৎলিবনি। মসিগী মথক্তা নুপীমচা ওইবগী হৌনবা মরক-মরক্তা মশা ঙম্লক্তবসু য়াওরিবনি। মোরেদনা অশাবা মফম ওইবা অদুগা ইম্ফালদনা ঈংবনিনা অঙৈং-অশা খেন্নবনসু অনা-অয়েক মায়োক্লুহল্লি। মফম অসিদগী শওস্থুংদা শাগৎপা টেম্পরারি হাউসতা অমুক হোংলগনা ইচানুপীনা মতৌ করম্না স্কুল কাবা ঙমগদগে হায়নসু হংলকখি। -মথং-মথং